ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

এসোসিএসন ওফ মণিপুরী দায়সপোরা পুনেনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এস সনাতোম্বীনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াবা

নুমিদাংদা খূউ নাবা : করি মরমনা ওইবা য়াবগে?

☛ লামায় ২

সনা কৈথেলদা এস টি দি সীগী ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

☛ লামায় ৩

থারোন শুরুংদা থিজিন খোঙচৎ চৎলুরে

☛ লামায় ৪

ফেষ্টিবেল ওফ ৱাহেংবম প্লেজগী তরুকনি শুবা নুমিৎতা 'য়ূমদা লাকপা' উংখ্রে

☛ লামায় ৫

এগ্রিকলচর মিনিষ্টর লুখোইনা দিরেক্তোরেট ওফ এগ্রিকলচরগী ফার্মরস ট্রেনিং হোলদা এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সী স্কিমগী মখাদা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিশিংগী এৱার্দ য়েন্থোকপা

Vol. 45, Issue No. 001 | য়ূমশকৈশা, লমতাগী ১১নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, March 24, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী) না কন্দক্ট তৌবা সিভিল সার্ভিস ২০২০ মেইন এগজামগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে। মেইন এগজামদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিং ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সার্ভিস, ইন্দিয়ন ফোরেন সার্ভিস, ইন্দিয়ন পুলিস সার্ভিস অমদি অতোপ্পা সেন্ত্রেল সার্ভিসশিংদা খন্নবগী পার্সোনেলিটি টেষ্ট তৌনবগীমক কৌরক্লগনি। ন্যু দেল্লীগী সাহজা রোদতা লৈবা য়ু পি এস সীগী ওফিসতা ইন্তরভ্যু পাঙথোক্কনি।

পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) :

চীফ মিনিষ্টরগী শোথরবশিংগী তেংবাং (সী এম এস টি) স্কিমগী মখাদা ক্যের গিভর এলাৱেন্স/মেন্টেনেন্স গ্রান্টকী বেনিফিসরিশিংনা দিসএবিলিটি সার্টিফিকেটকী ফোটো কোপিগা লোয়ননা অনৌবা আই এফ এস সী নম্বর দিরেক্তোরেট ওফ সোসল ৱেলফ্যেরদা পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি। বেঙ্ক একাউন্ট লৈবা বেনিফিসরিশিংনা দিরেক্তোরেটকী ওফিস নৎত্রগা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেওফ্যের ওফিসতা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

দেল্লীদা চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরম্বা এম এল এ ১২ দিসক্বালিফাই তৌবীননবা এ আই সী সীগী লুচিংবশিংনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দগা হয়েং উননবা থৌরাং তৌরিবা অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক ষ্টেট অসিগী কোংগ্রেস এম এল এশিং ঙসি দেল্লীদা চৎখ্রে। পাউচে অসিনা ফংবা পাউজী মতুংইন্না দেল্লীদা চৎখ্রবা কোংগ্রেস এম এল এশিং অদুদি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, এম এল এ কে মেঘচন্দ্র, ফজুর রহিম, দি কোরুংথাং, টি ঐচ লোকেশ্বর অমসুং এন লোকেননি। এম এল এশিং অসি ঙসি নুমীদাং দেল্লীদা থুংখ্রে। অদুমকপু হয়েং এ আই সী সীগী লুচিংবশিংগা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দগা উনগদৌরিবা অসিদা কনা কনা য়াওগদগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

ওক্রম হেনরিগী সিভিল রিট পিটিসন ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী এম এল এ ওইবদগী তোকপগী পীশিনখিবা রিজিগনেসন অয়াবা পীবগী এসেমব্লি সেক্রেটরিএটকী সেক্রেটরিনা ওগষ্ট ১১, ২০২০দা থোকখিবা বুলেটিন অমগী মতুংইন্না নুমিৎ অসিদগী এক্স এম এল এ ওইরক্লবা ওক্রম হেনরিনা মহাক্কী থা তরুক্কী মিনিষ্টর ওইবগী মতম নুমিৎ খরনিদা ঙাইশিল্লক্লবা তাঞ্জাদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং অতোপ্পা রেসপোন্দেন্ট মঙাগী মথক্তা ফাইল তৌখিবা সিভিল রিট পিটিসন অদু হয়েং কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা খন্নরগনি।

মিনিষ্টর মশামক্না পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বর ৩৫৪ ওফ ২০২১নি। পিটিসন অসি পিটিস্নরগী মায়কৈদগী চৎলিবা থা অসিগী ১৫গী নুংথিলদা ফাইল তৌখিবনি। মসিবু ফাইল তৌদুনা দাইরি নম্বর ৭৪২৩ ওফ ২০২১ ফংলবা মতুংদা লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা থা অসিগী ১৭তা সিভিল রিট পিটিসন

অমা ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

সিভিল রিট পিটিসন অসিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা কোনশিল্লিবা অতোপ্পা রেসপোন্দেন্টশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মসিগী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা চীফ সেক্রেটরি অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনি। অদুগা লেমহৌরিবা রেসপোন্দেন্ট অনী অদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পিটিস্নর অসিগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকখিবা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা য়ূমখাম ইরাবোত অমসুং ইলেক্সন পিটিসন অদুদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইনা কোনশিল্লকখিবা নোংমৈবুং ৱাংখেরাকপম লৈকায়দগী আর কে প্রিয়োবর্ত্ত অপোকপা আর কে মায়পাকসনানি।

পিটিস্নর ও হেনরিগী পিটিসন অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিদা ফাইল তৌখ্রবা মতুং ইহান হানবা ওইনা হয়েং সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস এস বোবদেনা লুচিংলগা জষ্টিস এ এস বোপান্না অমসুং জষ্টিস ভি রামাসুব্রমনিয়মগী অপূনবা বেঞ্চ অমনা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌখ্রে। কেস অসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর - ১৭তা লিষ্ট তৌখ্রে।

হয়েং কোর্ট অসিনা মেট্রর অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল অনিশ আর শাহনা লেপকদৌরি। পিটিস্নরগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগী ৱায়েলদা চহী মরি হেন্না

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবগী থৌরাং খুমাঙ চাওশিলহন্নবা হোৎনরি : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী জষ্টিস সিষ্টম মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী থৌরাং খুমাঙ চাওশিলহন্নবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর হায় কোর্টকী ৮শুবা কুমওন থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কোর্ট লৈতবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈঙাক্লা কোর্ট কয়া লিংখৎনবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, হায় কোর্টকা তানদুনা অথুবা মতমদা তাঙ্কক নাইনা কোর্ট কয়ামরুম লিংখৎনবা থৌরাং তৌরে। সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী য়াথং মতুংইন্না লম্ফেল অমদি হৈঙাংদা জুদিসল ওফিসরশিংগী রেসিদেন্সিএল কমপ্লেক্স শানবা থৌরাং লৌখৎলে।

হায় কোর্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট পূন্নমক নিংথিনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্নবা তোঙান তোঙানবা গ্রেদশিংদা পোষ্ট ক্রিএট তৌনবা থৌরাং লৌখৎলে। কোর্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, ককচীং, নোনে

অমসুং সেনাপতিদা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট শানবগী মতাংদা কুমজা ২০২০-২১গী রিভাইস এষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৯ অমসুং কুমজা ২০২১-২২গী বডজেট এষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ২১ হাপ্লে। অথুবা মতমদা কোর্টশিং শানবা উরেপ উয়ুং তম্বগী থবক পায়খৎলগনি। পাঙ্গৈদা মণিপুর জুদিসল একাদেমি শানবগী মতাংদা কুমজা ২০২০-২১গী রিভাইস এষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৫ অমসুং কুমজা ২০২১-২২গী বডজেট এষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ১০ হাপ্লে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কন্সটিট্যুসনেল স্কিমশিংগী মখাদা জুদিসিয়ারি অমসুং এগজিক্যুটিভকী মরী ফগৎহনবগী তঙাইফদবা ৱাফম পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অমসুং জুদিসিয়ারিগী মরক্তা কোওপরেসন পীনদুনা থবক ফজনা তৌবা ঙমহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা লৈঙাক্লা সেক্রেটরি (জুদিসল) গী ফম অমা ক্রিএট তৌরগা জুদিসল ওফিসর গ্রেদ ৱানদা পায়হল্লগনি। জুদিসল ওফিসর খুদিংমক্তা থাগী ওইনা ফ্যুল এলোকেসন পীদুনা গাড়ীশিং শীজিন্নবা য়াহল্লগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমারনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৩গী মার্চ ২৩দগী লৈরকখিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অসি কুমজা ২০১৩গী মার্চ ২৫দা মতমদুগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া, জষ্টিস অলটমাস কবিরনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীনবা ফেষ্টিবেলগী লোইশিন থৌরম পাঙথোক্তুনা মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চথরকখিবা নুপী অমসুং নুপা লীলা কাঙলূপশিংগী অথোই-অহেন তান্নখিবা অমসুং ফেষ্টিবেলগী লোইশিন থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মকোক মথং তাখ্রবশিং য়াওনা অখন্নবা আর্টিষ্টশিংগী মনাশিং য়েন্থোকখ্রে।

ঙসিগী লোইশিন থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা আর্টিষ্টশিং অসি মখোয়গী পীথোরক্লবা মতিক ময়াইশিংদগী ইকায়খুম্নবা উৎলক্লবা মতমনি হায়খি।

লৈঙাক্লসু আর্টিষ্টশিংগী পেন্সন পীননবা হোৎনরি। লীলাগী আর্ট/এক্টিং খক্তা নত্তনা পীরিবা পাউজেল অদুসু লৌগদবনি। খুন্নাই অমা শেম্বদা আর্টিষ্টশিংনা লৌরিবা থৌদাং য়াম্না চাওই হায়খি।

থৌরমসিদা লীলাগী খ্বাইদগী চাউবা লুপা লাখ ১গী পিদোনু এৱার্দ য়ূম্নাম শ্যামকিশোরদা পীখি। ওজা গোজেন এৱার্দনা ভোরোৎ মৈতৈদা, মোধুমঙ্গল শর্ম্মা এৱার্দনা লাই ইবোতোম্বীদা, ওজা বোরি এৱার্দনা কে দেবান্দা, য়াইমবী পোপ্যুলর এৱার্দনা কে ঐচ দেব অমসুং গুলামচাৎ আইদিএল এৱার্দনা এম সোমোরেন্দ্রোদা পীখি।

এম পি-এম এল এশিং চেন্নবা কেসশিংগী রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা অশ্বিনি কুমার উপধ্যায় অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৬৯৯ ওফ ২০১৬কী থেঙ্খাং নাইনা পীরকখিবা এপেক্স কোর্ট অসিগী ওর্দর মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পি আই এল ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমগী মতাংদা চীফ জষ্টিস পুলিগোরু ভেনকটা সঞ্জয় কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি/এম এল এশিং চেন্নবা কেসশিংগী মতাংদা রিপোর্টশিং পীখৎলক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা সুও মোটুদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী নম্বর ৩৮ ওফ ২০২০নি। কেস অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, সেক্রেটরি (হোম), সেক্রেটরি (লো), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর, দিরেক্টর ওফ প্রোজিক্যুসন, দিরেক্টর (ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি), পাঙ্গৈ, সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), লম্ফেল, নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) গী ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী এস পি অমসুং ইকোন কোন্না রেসপোন্দেন্ট ওইনা কোনশিনখিবা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ) গী সেক্রেটরিনি।

হায় কোর্টতা থেঙ্খাং নাইনা চথরক্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইকোন কোন্না চৎলিবা থা অসিগী ১৮দা মেট্রর অসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা লৌখৎলদুনা হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রিদা কোর্ট অসিনা ওক্টোবর ১, ২০২০দা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি/এম এল এশিংগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল চথরিবা স্পেসল কোর্টশিংনা থা খুদিংগী পীখৎলকফম থোকপা মখোয়গী ষ্টেটস রিপোর্টশিং অদু কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না পীখৎলক্লিব্রা হায়বদুগী মতাংদা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌরক্নবা খঙহনখি।

লোয়ননা কোর্ট অসিগী রেজিষ্ট্রিনা মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি/এম এল এশিং চেন্নবা কেসশিং অদু ৱায়েল চথরিবা স্পেসল কোর্টশিংনা মখোয়গী ত্রাইএলশিং দে টু দে বেসিসতা চথরিব্রা হায়বদুসু খঙদোরক্কদবনি হায়খি।

থা অসি ১৮দা দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবা দিরেক্সনশিং অদুগী মনুংদা সী বি আইগী মায়কৈদগীসু পি আই এল পিটিসন অসিগা মরী লৈননা কেসশিং অদুগী প্রজেন্ট ষ্টেটসশিং অমসুং মদুগী থেংথবগী মরমশিংসু পীখৎলক্নবা খঙহনখি। অদুগা পি আই এল অসিগা মরী লৈননা কোর্টতা কারককখিবা আই জি পি (এল এন্দ ও) গী প্রজেন্সকী মতাংদদি মখা তাবা ওর্দর থোক্লিবা ফাওবা দিসপেন্স তৌরে হায়খি।

ৱর্ল্ড হেপিনেস রিপোর্টতা ইন্দিয়ানা লৈবাক ১৪৯গী মনুংদা ১৩৯শুবদা লৈরি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৩ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৱর্ল্ড হেপিনেস রিপোর্ট ২০২১দা ইন্দিয়ানা লৈবাক ১৪৯গী মনুংদা ১৩৯শুবদা লৈরি। কোভিদ-১৯না মীয়ামদা করি করম্বা চৈথেং পীরিবগে অমসুং তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংগী হরাও তয়াম্বগী মওং মতৌ য়েংলগা য়ু এনগী রিপোর্ট অসি ফোঙলকপনি।

য়ু এন সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট সোল্যুসন নেটৱর্ককী রিপোর্টনা হায়, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওই পূন্নমক মহৌশাগী পুন্সি মহিংদগী নাথৈরগা লাইচৎ অসিনা পীরকপা চৈথেংশিং মায়োক্না তাখি। লৈঙাক্লা চৈথেং অদু কোকহন্নবগী মতাংদা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎপগে হায়বদু য়েংলগা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৪৯গী মকোক মথং শেমখিবনি।

মমাঙগী চহীশিংদসু মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংগী পুন্সি মহিং য়েংলগা ৱর্ল্ড হেপিনেস রিপোর্ট ফোঙখি। কুমজা ২০১৯দা ইন্দিয়ানা ১৪০শুবা মফমদা লৈখি। চহী অসিগী ওইনদি মফম অমা কাখৎলগা ১৩৯শুবদা লৈরে।

সিটিজনশিং খ্বাইদগী নুংঙাইনা লৈবা লৈবাক ফিনলেন্দনা ওইরে। আইসলেন্দনা অনীশুবা, দেনমার্কনা অহুমশুবা, স্বিটজরলেন্দনা মরিশুবা, নেদরলেন্দসনা মঙাশুবা, স্বিদেননা তরুকশুবা,

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহন্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল এরিয়াদা মায়োক্লরিবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহন্নবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। শিংদা দাম শেমজিনবগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা অতৈ মফম অয়াম্বদা ঈশিং কংশিল্লকপদগী কৈশামথোং, উরিপোক, থাংমৈবন্দ, শগোলবন্দ অমদি ৱাংখৈনচিংবা মফমশিংদা টোটিগী ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদবগী মতাংদা অখন্নবা মীফম অসি পাঙথোকখিবনি।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরি (ৱাটর রিছোর্সেস) না লুচিংবা সব কম্মিটি অমা শেল্লগা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি। কম্মিটি অদুদা য়াওগদৌরিবা অতৈ মীওইশিংদি প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট (পি সী সী এফ), এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরি (পি ঐচ ঐ ঈ দি), এঞ্জিনিয়র ইন চীফ (ৱাটর রিছোর্সেস), চীফ এঞ্জিনিয়র (ৱাটর রিছোর্সেস), চীফ এঞ্জিনিয়র (পি ঐচ ঈ দি), দিরেক্টর (মাহুদ), এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র (পি ঐচ ঈ দি-মেন্টিনেন্স দিভিজন-২) অমসুং দি আই জি রেঞ্জ-১নি।

মীফমদা লৌখিবা অতৈ অতোপ্পা মরু ওইবা ৱারেপশিংদি ফীভম ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবা ইম্ফাল বেরেজ থিংজিনবা; দোলাইথাবী বেরেজদগী ইরিল তুরেলদা ঈশিং থাদরকপা; ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা তুরেল খোংবান/দাম শেংদোকপা; পি ঐচ ঈ দিনা প্রাইভেট এজেন্সিশিংদগী ৱাটর টেঙ্কর কয়া ৱায়রগা শীজিন্নবা; চীংখৈ চীং ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট থবক তৌবা হৌহনবা; ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল, থৌবাল তুরেল অমসুং কোংবা তুরেলদা লো লেভেল বেরেজ কয়ামরুম শানবগী থৌরাং লৌখৎপা; নোংজু থা মনুংদা তুরেলগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমহৌনবা থৌরাং লৌখৎপা অমসুং বরাক তুরেলগী ঈশিং মীয়ামদা ফংহনবা য়াগদ্রা হায়বদু য়েংশিনবা অসিনচিংবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মথৌ তাবা থবকশিং খুদক্তা লৌখৎনবা চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি। মীফম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমার লোয়ননা ৱাটর রিছোর্সেস অমদি পি ঐচ ঈ দিগী সিনিয়র ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

আর ও পিগা মরী লৈনবা থৌরাং লৌখৎলক্ত্রবদি থবক লেপ্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) :

তরেৎশুবা আর ও পি চৎনবগা মরী লৈননা তাল্লিবা দিমান্দগা মরী লৈননা নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্তবা তারবদি মার্চ ২৯ দগী এপ্রিল ৪ ফাওবা একাদমিক এক্টিভিটি পূম্নমক লেপ্লগনি হায়না টিচর্স এসোসিয়েসন জেনিমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, জেনিমসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি প্রোফেসর রাজেন্দ্র থাংজমনা ময়াই তাংবল লৌদুনা টিচর্স এসোসিয়েসন জেনিমস অমসুং এসোসিয়েসন ফোর ওল নন টিচিং ষ্টাফকী মীফম পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌরে।

জেনিমসতা ৭ শুবা আর ও পি চৎনবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিনা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা মথৌ তাবা থবক পায়খৎলগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈশিনখিবগী মতাংদা এসোসিয়েসন অনীনা মরু ওইবা ৱারেপ অহুম লৌরে। ৱারেপশিং অদুদি নুমিৎ ৪ নিগী মনুংদা ৭ শুবা আর ও পিগা মরী লৈননা মথৌ তাবা থবক পায়খৎনবগী মতম পীবা, মার্চ ২৯ দগী এপ্রিল ৪ ফাওবা একাদমি এক্টিভিটি পূম্নমক লেপ্পা অমসুং মখা তাবা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবগী মতাংদা ৱারেপ লৌনবা টিচর্স এসোসিয়েসন অমসুং এসোসিয়েসন ফোর ওল নন টিচিং ষ্টাফতা শীন্নবা হায়বসিনি হায়রি।

HL Poll

Q: Leingakna chahi mari pharakpagi thouram pangthokpada shel ka henna tinghalle hainaraklibasi chummi khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Meeyamna eshing fangdabagi awaba mayoknariba ashi kokhannaba mari leinaba authorityna matik chaba thabak paikhatli khanbra?

Yes 0% No 100%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৯.৮৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.৭২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ইমৌ হল্লক্তবা নুংঙাইতে থিবা চৎলে, ইপা
- [illegible]



- থিরুবনু বাজি অমা লৌরগেনা পাউচেদা হাপত্রবনি ঐ।
- [illegible]

'তুরেল অমদি পুখ্রিদা অমোৎ অকায় লংথোকপীরোইদবনি'

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

তুরেল অমদি পুখ্রিদা অমোৎ অকায় লংথোকপগী মহুত্তা মফম চানা দষ্ট বিন্দা হাপচিনবগী হৈনবী লৈবীয়ু হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে।

লমদেংদা মাহুদ দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা অমোৎ অকায়দগী মৈ পুথোক্নবগী মতাংদা শেমগৎপা প্লান্ট অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মাহুদ, এম এস পি দি সী এল, ইনোভেটিক ইকো ক্যের প্রাইভেট লিমিটেদ অমসুং থর্মোটেক সিষ্টম লিমিটেদনা খূৎশম্নরগা পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরসিপ (পি পি পি)

মোদেলদা প্লান্ট অসি শেমগৎপনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মালেমদা অহানবা ওইনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লগনি। সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী ৱাফম অসি ইনভাইরনমেন্টকা মরী লৈনবা মরম্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওই। য়াম্না মরু ওইবা অসিগুম্বা মখলগী প্রোজেক্ট অমা মায় পাক্না পায়খৎপগীদমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি কম্পেনিগী ওফিসলশিংবু পূক্লিং থৌগৎফম থোকই। প্রোজেক্ট অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা লমদেংগী মীয়াম্না মতেং পাংখিবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। নোংমদা সোলিদ ৱেষ্ট টন ১০০ রোম হেন্না শীজিন্নরগা মৈ

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ LOAN AVAILABLE

VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE

- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/6873/24/3-27/4